## লম্বী থিংলুরে

ইম্ফাল, মার্চ ১২(ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টগী মনুং চনবা লমলাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী য়াইঙংপোকপী পি এসকী মনুং চন্না লৈবা সৈজাংগী লম্বীদা চেল্লিবা মেজিক ভেনশিং ঙসি অয়ুক পুং ৮ রোম তাবদা থিংলুরে।

গাড়ি থিংবগী খোঙজং অদুগী মতাংদা সৈজাং এস পি ৰাই সি ক্লবকী সেক্রেটরি হাওবম সিতলজিৎনা ফোঙদোরকপদা সৈজাং অমসুং লৈমখোং মপালগী মীওই কয়া মতম কয়াগী মমাংদগী গাড়ি তোংবা ঙমদবা অমসুং মহৈরোই কয়া স্কুল মতম চানা কাবা ঙমদবা, এগজামিনেসন থাবা ফাওবা নংদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্ন রি। গাড়ি ঙাইবদা নুপী-অঙাংশিং অৰাবা কয়া মায়োক্লবা য়াওরে। য়াইঙংপোকপী মেজিক এসোসিএ-সনদা হীরম অসিগী মতাংদা চেরোল পীশিনখিবসু লৈখ্রে। অহেনবা গাড়ি হাপ্পীরগা রোটেসন তৌরগা শিনবীবরা, টাইমিং কুংহনবিবরা অমা তৌবীয়ু হায়দুনা তকশিল্লক্লি।

মমাংদা থা অসিগী ৭ তগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না মাংজৌননা খঙহনখ্রে হায়রি। হৌজিকমক্কী ওইনা পুলিস ঙাক্তুনা গাড়ি চেল্লি হায়না মফম অদুগী মীয়াম্না ফোঙদোরক্লি।

## এস এস য়ু এমনা এগজাম য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২(ঐচ এন এস):
সোসিয়েলিষ্ট ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম) না ঙসি কোসেম্না লৌবা ক্লাস টুয়েল্বকী হিষ্টোরি অমসুং বাইওলোজি থোকপা নুমিৎতা এগজামিনেসন সেন্টরশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

এডভান্স ইন্টরমিদেট কোলেজ মোইরাং, ষ্টেন্দর্দ রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুল, সেক্রেট হার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল পোরোম্পাৎ অমসুং রতনা ইংলিস স্কুল ককচিংনচিংবা এগজামিনেসন সেন্টরশিংদা পরম চুন্না ঈংনা-তপ্না মহৈরোইশিংনা এগজাম থারম্বা থেংনখি হায়রি।

## ক্লাসিকেল ম্যুজিক্কী থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, মার্চ ১২(ঐচ এন এস):
শ্রীশ্রী বালমুকুন্দা দেব ম্যুজিক কোলেজ ইম্ফালনা শিন্দুনা পন্দিৎ বিষ্ণু নারায়ণ ভাতখণ্ডে নিংশিং ঈশৈ থৌরম থা অসিগী ১৩ অমসুং ১৪ গী নুংথিল পুং ৩.৩০ দগী হৌদুনা পাঙথোক্কনি হায়রি। ক্লাসিকেল ম্যুজিক্কী থৌরম অসিদা পুন্নমক্না শরুক য়ারনবা ৰাফমসু কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপালনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ভাইবা-বোসি পাঙথোকপিয়ু

ইম্ফাল, মার্চ ১২(ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর রাইফলমেন (মেন/ সিভিল) রিটন টেষ্ট সকসেসফুল কনি দদেট বেটচ ২০১৬ কী রিটন টেষ্ট মমাং চহিগী ডিসেম্বর ৯ দা হাংদোকখ্রগা ঙসি ফাওবা ভাইবা বোসিগী মতম লেপ্তুনা লৈরিবা অসি অথুবদা গভর্ণমেন্টনা মতম লেপ্পীদুনা ভাইবা- বোসিগী পাঙথোকপিয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

## থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট কনফরেন্স

ইম্ফাল, মার্চ ১২(ঐচ এন এস):
থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল, সি পি আইগী ১২ শুবা ডিষ্ট্রিক্ট কনফরেন্স ৰাংজিংদা লৈবা হাওবম রোবিন্দ্রোগী য়ুমদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে হায়রি।

কনফরেন্স অদুদা ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈরিবা লৌকোলশিং অমদি ঈথৈ লৌখোং অমসুং লম্বী-থোংগী মরমদা খন্নরবা মতুংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা তকশিন্নবা ৰারেপ কয়া লৌখি। মীফম অদুদা এলাংবম সরতপু ডিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়রি।

## ‘লাই হরাওবদা য়াওহনবা য়ারোই’

ইম্ফাল, মার্চ ১২(ঐচ এন এস):
অন্দ্রো পি এসকী মনুং চনবা য়াইরিপোক তোপ চীংথাদা নোংপোক পান্থোইবী হরাওবগী অরোইবা নুমিৎতা তাঙ্খুল শাখিবা অমসুং নুরাবী শাখিবী মীওই অনিমক লাই হরাওবা অমদি মীতৈ লাইগী থৌরম অমত্তা য়াওবা য়ারোই হায়না লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুনা লাই হরাওববু মশক থিহল্লে হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী ওইনদি হৌখিবা চহি ১/২ অসি লাই হরাওবগী ট্রেনিং থা ১ চুপ্পা লেপ্তুনা পাঙথোক্লি। লাই হরাওবদা তৌবা য়াবা অমদি য়াদবা কয়া অদু কুপ্পা খন্নরি অমসুং লাই হরাওবগী কাঙলোনগী লাইরিক পুথোক্লবা হোৎনরি। মরক অসিদা মীওই খরনা মরম ওইরগা পুন্নমকপু মশক থিহল্লে অমসুং থৌদোক অসি ঈনাৎকী পুৰারিদা অমম্বা নুমিৎ ওইদুনা লৈহৌরগনি হায়রি।

## ইন্দষ্ট্রি চাওখৎপদা পৱার তঙাইফদে: বিশ্বজিৎ



ইম্ফাল, মার্চ ১২: ইলেক্ট্রিসিটি য়াওদনা ইন্দষ্ট্রিগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপা ওইথোক্তে। মরম অদুনা কুমজা ২০১৮ কী ডিসেম্বর ফাওবগী মনুংদা মণিপুরগী য়ুমথোং খুদিংমক্তা ইলেক্ট্রিসিটি ফংহনববা লৈঙাক অসিনা পান্দম থল্লি হায়না পৱার মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

উখুল ডিষ্ট্রিক্টকী রিংঙুই ভিলেজদা ঙরাং পাঙথোকখিবা রিংঙুই লুইরা ফনিৎ কম কলচরেল ফেষ্টিভেল ২০১৮ তা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা মখা তানা হায়খি, মনুং হঞ্জিনবা খুঙ্গংশিংদা মৈ ফংহননবা ইলেক্ট্রিক পোলশিং য়ুংবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি অমসুং ওফ-গ্রিদ ইলেক্ট্রিফিকেসনগী খুৎথাংদা সোলর ইনর্জি য়ুনিটশিং হাংদোক্তুনা মৈ ফংহননবা হোৎনরি।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক অসিগী য়ুমথোং খুদিংমক লেম্না নত্রগা অহোংবা মমলদা ইলেক্ট্রিসিটি কনেক্সন ফংহন্নবা লোঞ্চ তৌখ্রে অমসুং অদুগুম্বা য়ুমথোংশিং অদু খন্দোক্লবা মরী লৈনবা ভিলেজ ওথোরিটিশিংদা খঙহনখি। সৌভগ্য স্কিমসু লোঞ্চ তৌখ্রে অমসুং লৈবাক অসিগী য়ুমথোং খুদিংমক ইলেক্ট্রিসিটি ফংহননবা অককনবা মতমগী মনুংদা মিসন অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা লোঞ্চ তৌখিবনি।

উজলা, কিষান সপাদা, জেদ ই দি জেরো ইফেক্ট জেরো ডিফেক্ট, বেতি বজাও বেতি পরাও, সুকন্যা সমিতিনচিংবা স্কিম কয়া পায়খৎলিবা অসিগী খুদোংচাবা লৌহৌনবসু তকশিনখি। থৌরম অদুদা চীংঙাই এ সিগী এম এল এ খসিম বাসুমসু শরুক য়াখি। মখল মথেল কলচরেল প্রোগ্রামশিং অমসুং ঈশৈ-নোংমায়গী থৌরমশিংনা মপূং ওইবা শক্তম ওইদুনা ফেষ্টিভেল অদু পাঙথোকখি।

## বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল সি পি আইগী ১১ শুবা কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২(ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী ১১ শুবা মীফম বিষ্ণুপুর মনাক্কী খ্বাইরাকপন্দা লৈবা ওপেন ভবনদা থা অসিগী ১০ দা পাঙথোক্তুনা ৰারেপ কয়া লৌখ্রে।

মীফম অদুদা এন জি মংলেম, ও জুগিন অমসুং এস ইবোহলনা প্রসিডিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। মীফম অদুদা লৌখিবা ৰারেপশিংগী মনুংদা য়াওরিবশিংদি লোক্তাক পাৎ মোৎশিল্লকপা অমদি তেনগৎলকপগা লোয়ননা লোক্তাক প্রোজেক্টনা মরম ওইদুনা শোকহল্লবা লৌফম অমদি মফম কয়া অসি কলহৌনবা লোক্তাক প্রোজেক্ট দি কম্মিসন তৌনবা তকশিনবা। ত্রিপুরাদা মালেমগী কম্যুনিষ্ট লুচিংবা ভি আই লেনিনগী মীতম থুগায়বগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা, এন এফ এস কেগী চেং চাং নাইনা অমসুং মশিং শুনা ফংহনবা লোয়ননা পীথোক্তনা লৈরিবা থা কয়াগী চেং মীয়ামদা ফংহনবা। ঈরম- খোংলম, ঈথৈ-লৌখোং নিংথিনা শেম্বীবগা লোয়ননা তুরেলশিং তেংথোকহনবা। ডিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা হোস্পিটালশিংগী ফিভম ফগৎহনবা। চহি ৬০ গী মথক্তা লৈরিবা ওল এজ পেন্সন ফংহৌদ্রবা মীওই পুন্নমক ওল এজ পেন্সন পীহনবা, য়েলহৌমী কন্নবগীদমক মণিপুর পিপলস প্রোটেক্সন বিল শেমদোক্লগা চৎহন্নবগী ঈহৌ মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিনবা লোয়ননা লৈঙাক্কী এমপ্লোয়িশিংদা ৭ শুবা পে কম্মিসন ফংহনবা। লৌমীশিংগী ফিভম ফগৎহনবগা লোয়ননা লৌউ-শিংউদা চঙবা পোৎলমশিং অহোংবা মমলদা মরাং কাইনা ফংহনবা অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লৌ-ইশ্চোলগী টেক্স কা হেন্না ৰাংখৎলক্লিবা অসি হন্থহন্নবা তকশিনবা অসিনচিংবনি হায়না বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি কে বিমোলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ‘পৱার লুম য়ুনিট হাংদোকপীগনু’

ইম্ফাল, মার্চ ১২(ঐচ এন এস):
লোইতাং খুন্নৌ ভিলেজ কম্মিটিগী মীফম অমা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ৰারেপ কয়া লৌখ্রে হায়রি।

লোইতাং খুন্নৌ ভিলেজ কম্মিটিগী সেক্রেটরি মাইবম কাংজাম্বানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীফম অদুদা লৌখিবা ৰারেপশিংগী মনুংদা য়াওরিবশিংদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মতম কয়া থবক লেপ্লুরবা মণিপুর স্পিনিং মিল হিংগৎনবা হায়বসি মীয়ামগী অপাম্বনি। অদুবু মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা লৈঙাক্লা পৱার লুম য়ুনিট অমা থা অসিগী ১৪ দা হাংদোক্লবা হোৎনরিবা অসিগী মায়োক্তা য়ানিংদবদগী ৰারেপ লৌখি। প্রাইভেটাইজেসন ওইনা লন্নাই মীওইদা মিল অসিগী কেম্পস শীজিন্নদুনা পৱার লুম য়ুনিট হাংগনি হায়রিবসি থিংজিন্নবা ৰারেপ লৌখি।

লৈঙাক্লা শঙ্গানবা হোৎনরিবা অসি অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম্না শরুক য়াদনবা ৰাফমসু ফোঙদোরক্লি। মণিপুর স্পিনিং মিলগ মফম অসি মতম অমগী লোইতাম খুন্নৌগী অহলশিংনা লৈঙাক্তা মমল লৌদনা মীয়ামগীদমক্তা পীখিবনি। মরম অদুনা লন্নাই মীওইদা পৱার লুম য়ুনিট হাংহন্নবা থা অসিগী ১৪ দা শঙ্গানবা থৌরাং তৌরিবা অসি লেপ্পীয়ু হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ইন্টেনসিফাইট মিজলস রুবেলা কেম্পেন

ইম্ফাল, মার্চ ১২: ডিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফিয়র ওফিসর চুড়াচান্দপুরনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৫ অমসুং ১৬ তা তুইবোংগী দি টি সি হোলদা চুড়াচান্দপুর অমসুং শমুলমলান ব্লোক্কী মখাদা লৈবা স্কুলশিংগী টিচরস ৱার্কসোপ অমা মিজলস রুবেলা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্কনি হায়রি।

লৈবাক শিনবা থুংনা মিজলস লায়না মুখৎনবা অমসুং রুবেলা লায়না লাকশিন্নবা চথরিবা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ১৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্কসোপ অসিদা চুড়াচান্দপুর অমসুং শমুলমলান ব্লোকশিংদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অমসুং এদেদ স্কুলশিংগী হেড মাষ্টরশিং অমসুং নোদেল টিচরসশিংনা অয়ুক্কী পুং ১১ তাবদা পাঙথোক্কদবা ৱার্কসোপ অসিদা শরুক য়ারনবা ৰাফমসু ফোঙদোরক্লি।

চুড়াচান্দপুর অমসুং শমুলমলান ব্লোকশিংদা লৈরিবা অসিগুম্বা প্রাইভেট, মিসন অমসুং এ দি সি স্কুলশিংগী হেড মাষ্টর অমসুং নোদেল টিচরশিংগী নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ অমসু হায়রিবা মফম অসিমক্তদা মার্চ ১৬ কী অয়ুক পুং ১১ তাবদা পাঙথোক্কনি হায়রি। অতৈ লেমহৌরিবা ব্লোকশিং সিংহাৎ, হেংলেপ, থানলোন অমসুং তিপাইমুক্কী ওইনা অসিগুম্বা ট্রেনিংশিং মার্চ ২০ ফাওবগী মমাংদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

## ইন্দিয়ানা টিবেটন স্প্রিচুএল লিদর দলাই লামাবু মণিপুরদা খুৎলাই ওইনা শীজিন্নরোইদবনি: মাওইষ্ট

ইম্ফাল, মার্চ ১২: মণিপুরদা পাঙথোক্কদবা ১০৫ শুবা ইন্দিয়ান সাইন্স কোংগ্রেসতা টিবেটান স্প্রিচুয়েল লিদর দলাই লামানা শরুক য়াগনি হায়বা ৰাফম অসিদা মণিপুরগী মীয়াম্না কুপ্না ৰাখল খন্থবীবা মতম ওইরে হায়না মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কো ওর্দিনেটর কিয়োংহন মঙাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ৩১ অমদি এপ্রিল ১ দা দলাই লামানা ইন্দিয়াদা চঙজফম লৌদুনা হিংলকপগী ৬০ শুবা এনিভর্সরি ন্যু দিল্লিদা লৈবা মহাত্মা গান্ধিগী সমাধি মীওইরি রাজ গাথ অমদি থিয়াগরাজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ‘ টেঙ্কয়ু ইন্দিয়া’ হায়না পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা সেন্টর অমদি ষ্টেটকী ফঙ্কসনরি অমত্তা য়াওদনবা খঙহনখ্রে। নুমিৎ নিনি চুপ্না পাক-চাওনা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা দলাই লামাগী থৌরম অসি ইন্দিয়ানা থিংখ্রে হায়রি।

থৌরম অসিদা ইন্দিয়াগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ডা: মনমোহন সিংহা, হান্নগী ডেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর এল কে অদবানি অমদি হৌজিক য়ুনিয়ন ষ্টেট হোমগী থৌ পুরিবা কিরন রেজিজু য়াওনা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াগনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু ইন্দিয়া অমদি চাইনা অনিগী মরীদা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি য়াম্না অরুবা ওইবনা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিং অমদি ষ্টেটগী লুচিংবশিংনা দলাই লামাগী থৌরমদা শরুক য়াবসি অচুম্বা ওইরোই হায়না গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপগা লোয়ননা শরুক য়াদবা হায়না ৰারেপ লৌখ্রে। ৰারোল অসি মিডিয়াদসু ফোঙখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা লৈরিবা ইনি টলেকচুয়েল ময়ামশিং অসিনা ফিভমশিং অসি নৈনরমদবা অসিমক লাইবক থিবনি অমনি। মণিপুরদনা করিগীদমক সাইন্স কোংগ্রেস অসিদা দলাই লামাবু য়াওহনগদৌরিবনো হায়বা অসিনি। ইন্দিয়াগী থৌওং অসিগী অরোনবা করম্বা থৌশিলনো হায়বদু মণিপুরগী মীয়াম্না খন্থবা চুমগনি হায়রি।

থৌওং অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লিবা অসিদি দলাই লামাগী খোঙচৎ অসি সাইন্স কোংগ্রেসকী মীংদা মণিপুর মীয়ামদা চথবা নমথাক্কী হায়না মরাল শিরক্লি। দলাই লামাগী মণিপুর খোঙচৎনা ইন্টরনেসনল পোলি-টিক্সতা মণিপুরবু মুক্নফম ওইহন্নবা শিনবনি। দিল্লিদনা অদুগুম্বা থৌরম শিনবদা অথিংবা থম্বা অমসুং মণিপুরদনা শিনবগী অয়াবা পীবা হায়বসি মণিপুর মীয়াম্না ময়েক শেংনা নৈনফম থোকই হায়রি।

লামাগী মণিপুর খোঙচৎ মণিপুরগী মীয়াম্না তরাম্না ওকফম থোক্তে। টিবেটানশিংগী নিংতম্বগী ঈহৌ লৈরগদি লূপ অসিনা ফোঙনা শৌগৎকনি অদুবু দলাই লামানা ইন্দিয়াগী থৌশিল অমা ওইনা মণিপুরদা লাকপা অসিদদি মণিপুর মীয়াম্না মহাকপু তরাম্না ওক্লবগী মরম লৈতে হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা এম য়ুগী শিল্লি-লাংলিবশিংদা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা মীৎয়েং চঙলোইদবগী মরম লৈতে হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

## চাথোক লৈনা চুজাক থাবগী ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১২(ঐচ এন এস):আই সি এ আর রিসর্ছ কমপ্লেক্স ফোর এম ই ঐচ রিজন, মণিপুর সেন্টর ইম্ফালনা শিন্দুনা প্রোমোটিং ইমপ্রুবদ টেক্নোলোজি ওফ মেজ প্রদক্সন ইন এন ই ঐচ রিজন হায়না হীরম অসিদা এৱেরনেস কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি উখুল ডিষ্ট্রিক্টকী সনাকৈথেল ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে।

আই সি এ আর- ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ মেজ রিসর্ছ পি এ য়ু কেম্পস লুদিয়ানা, পঞ্জাবকা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ডা: এম এ অন্সারি, প্রোজেক্ট অদুগী প্রিন্সিপাল ইনভেষ্টিগেটর, সাইন্টিষ্ট, এগ্রোনোমি, আই সি এ আর রিসর্ছ কমপ্লেক্স ফোর এন ই ঐচ রিজন মণিপুর সেন্টর ইম্ফাল, ভিলেজ চীফ কে গ্রেসসন জিমিক অমসুং এস আই এন এ সেল্ফ হেল্ফ গ্রুপ ফেদরেসনগী চিয়রপার্সন আর তন্রৈচোন্না প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। আর তন্রৈচোন্না মীয়াম অদুগী ওকপগী ৰারোল পীখি। থৌরম অদুদা ৰা ঙাংবদা মহাক্লা হায়খি, লমদম অসিগা চান্নবা প্রোটিনগী চাং য়াম্না হেন্না য়াওবা চুজাক মীয়ামদা থাহনগদবনি। লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা চাথোক লৈবা মখলগী চুজাক থানখ্রবসু নোর্থ ইষ্ট হিল রিজন অসিদদি হৌজিক ফাওবদা ঈশিং নুমিৎকী ফিভম য়েংদুনা ফার্মরসশিংনা মফম অসিদা ফংবা চাথোক য়াম্না লৈতবা চুজাকশিং থাদুনা লাক্লি।

চুজাক হায়বসি মীওইবনা চান্নরিবা চিঞ্জাকশিংগী মরক্তা মরু ওইবা অমা ওইবতা নত্তনা য়েন-ঙানু অমসুং শা-ষনশিংগী মরু ওইবা মচিঞ্জাক্কী শরুক অমা ওইরিবনি।

ফার্মর অয়াম্বনা লৌরোক অমুক্তমক লোকপা, পামলৌ উদুনা লৈরক্লি অমসুং খারিক্কী মমাংদা চুজাক থাদুনা দবল ক্রোপিং তৌনবা হোৎনগদবনি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাংবদা ডা: এন এ অন্সারি অমসুং সি ঐচ বুংবুচানা হায়খি, চীংমাইশিংদা বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নদুনা লৌউ-শিংউগী থবক তৌবা ফর্টিলাইজর শীজিন্নবগী মওং-মতৌ, সোইল মেঞ্জেমেন্ট, ৱাটর মেনেজমেন্টনচিংগী মরমদসু ৰা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা আই সি এ আর মণিপুর সেন্টরনা হেক্টর ১০ রোমদা থাগদবা চাথোক লৈবা মখাগী চুজাক মরুশিং য়েন্থোকখি। মফম অদুগী অহল ওইরবা ফার্মরশিং অমদি মফম অদুদা লৈবা মীওইশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা ফার্মর ৫০ রোমনা শরুক য়াখি হায়খি।

## মণিপুর হার্ট ফাউন্দেসন্না শিন্দুনা ফ্রি হার্ট কেম্প পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১২: মণিপুর হার্ট ফাউন্দেসন অমসুং রাষ্ট্রিয়া বাল স্বাসথ্যয়া কার্য়িকরম (আই বি এস কে), মণিপুর ষ্টেট হেল্থ মিসন সোসাইটি ইম্ফাল অমসুং স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিসর্ছ সেন্টর প্রাইভেট মিলিটেদনা পূন্না শিন্দুনা নোর্থ এ ও সিদা লৈবা ক্লাসিক হোটেলগী রোয়ল হোলদা নোংমগী ওইবা কন্টিন্যুয়িং মেডিকেল এডুকেসন (সি এম ই) হৌখিবা মার্চ ১০ দা পাঙথোকখ্রে।

কমপ্লেক্স কঞ্জিনেন্টেল হার্ট ডিজিজেস, করেন্ট ট্রিটমেন্ট এন্দ লোং টার্ম এস্পেক্টেসন হায়বা টোপিক্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এস্কোর্ট ফোর্টিষ্ট হার্ট ইন্সটিট্যুট দিল্লিগী পেদিয়াত্রিক ইনটরভেন্সনেল কার্দিওলোজিষ্ট অমদি ডিরেক্টর অমসুং ঐচ ও দি ডোক্টর এস রাধাকৃষ্ণন অমসুং ডা: এল শ্যামকিশ্বর প্রসিডেন্ট মণিপুর হার্ট ফাউন্দেসন অমসুং চিয়রমেন অমদি চীফ কার্দিওলোজিষ্ট স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিসর্ছ সেন্টর ইম্ফালনা রিসোর্ছ পার্সন অমসুং চিয়রপার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ডা: ঐচ ইবেমচা ষ্টেট নোদেল ওফিসর আর বি এস কেসু স্পিসল ইনভাইটি ওইনা শরুক য়াখি। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ডিষ্ট্রিক্টকী মেডিকেল ওফিসরশিংনসু শরুক য়াখি।

সি এম ই গী ভেন্যু অদু ডা: ঐচ দবলি চিয়রমেন এন্দ মেনেজিং ডিরেক্টর ববিনা হেল্থ কিয়র এন্দ হোস্পিটেলিটি ইন্দষ্ট্রিজ প্রাইভেট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌবনি।

হৌখিবা মার্চ ১১ থা থাঙ্গাল বজার ইম্ফালগী ধরমসলাদা বজার কম্যুনিটিগা খুৎশম্নদুনা ফ্রি হার্ট কেম্প অমসুং থৌরম অদুগা মরী লৈননা পাঙথোকখি।

ফ্রি হার্ট কেম্প অদুদা পেসেন্ট ৪২ ফ্রি হার্ট ও পি ডিগী খুদোংচাবা ফংহনখি, ২৮ দা ফ্রি ই সি জিগী খুদোংচাবা ফংহনখিবগা লোয়ননা পেসেন্ট ৩৪ বু ফ্রি সুগর টেষ্ট তৌখি হায়রি। ডা: এল শ্যামকিশ্বর প্রসিডেন্ট মণিপুর হার্ট ফাউন্দেসন্না ফোঙদোকখিবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ডিষ্ট্রিক্টশিংদা ফাউন্দেসন অসিদা ফ্রি হার্ট কেম্পকী খুদোংচাবশিং মখা তানা ফংহনখিগনি হায়রি।

## এমসুগী প্রসিডেন্ট মঞ্জিৎ সরাংথেম্না লুচিংবা টিম শরুক য়াখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২(ঐচ এন এস): কার্বি ষ্টুডেন্টস এসোসিএসন অসামগী ৪৫ শুবা জেনরেল কনফরেন্স নুমিৎ অহুমনি পাঙথোকখিবা অদুদা ওল মণিপুর ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ন এমসুগী প্রসিডেন্ট মঞ্জিৎ শরাংথেম্না লুচিংবা টিম অমা শরুক য়াখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মশক নাইবা অৰাং নোংপোক ষ্টেটকী মীওই কয়া শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা নোর্থ ইষ্ট ডাইলোগ ফোরমগী য়ু জেনিসনসু শরুক য়াখি। অয়ুক অঙনবদা লূপ অসিগী প্রসিডেন্ট বিজয় বেনা ফিরাল চিংখৎলবা মতুংদা নুংথিলগী থৌরমদা মহৈরোইশিংগী ওইবা ওপন সেসন অমা কর্বি ফুরুপকী নিংথৌ অমসু ওইরিবা রামসিং রোংহংনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবা এমসুগী প্রসিডেন্ট মঞ্জিৎ শরাংথেমনা হায়খি, অৰাং নোংপোক লমদমশিং অসি অঙকপা ফংনা অহোংবা অমসুং অওনবা লাক্লে, করম্বা মখলগী অওনবনো হায়বদু কুপথনা কনানসু নৈনদে, হৌখিবা চহি খরা অসিদা লমদম অসিগী লম্বী থোংগী ফিভম য়াম্না ফগৎলে। অদুবু করম্বা হীরমদা শীজিন্নবা শেমগৎলিবনো হায়বদু খন্থদুনা নৈনবা মথৌ তাই।

ইলিগেল মাইগ্রেন্টশিং অমদি ইফিজি কয়া লেপ্পা লৈতনা অৰাং নোংপোক লমদমদা চঙশিল্লক্তুনা খুন্দা লৈতাশিল্লক্লি অমদি য়েলহৌমী ফুরুপশিংদা অকিবা পীরক্লি। অমরোমদা অৰাং নোংপোক্কী মীয়ামগী, খুন্নাইগী, হীংবগী পুন্সিরোম অমদি শেন্মীৎলোন করম্না চাওখৎকনি হায়বদু নৈনবা চঙই। ঐখোয়গী নেচরে রিসোর্ছশিং লৌথোক্লবা লম্বী থোং শেল্লিব্রা হায়না হংখিবগা লোয়ননা বৃটিসনা মণিপুরদা চহি ৫৬ চুপ্না লৈঙাকখি, অসামদা চহি ১২৬ চুপ্না লৈঙাকপদা মীনরেল অমদি নেচরেল রিসোর্ছশিং লৌথোকখিবা অদুগী মখা চথরকপা ওইনা ইন্দিয়াগী কোর্পোরেট কম্পেনিশিংনা অৰাং নোংপোক লমদম অসিগী রিসোর্ছশিং পোলিটিসিয়ানশিংগা মান্নদুনা লৌথোক্লবা হোৎনরি হায়না মরাল শিখি। কর্বি অমসুং অৰাং নোংপোক্কী মীয়াম্না ফংগদবা খুদোংচাবা অসিনা লৌউবা য়াবা লমশিং মাংশিল্লকপা, উমং মাংশিল্লকপা অমদি মীয়ামদা লায়না-লায়ওং কয়া মায়োক্নহৌবা অসিনি।

কার্বি অংলোংগী মীয়ামগী হীংবগী থাক ইন্দিয়ান য়ুনিয়নগী মখাদা লৈরবা মতুংদা করম্বা ফিভমদা লৈরিবগে হায়না হংখিবগা লোয়ননা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুন্সিদুনা থেংনমীন্নবা মথৌ তাই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## কাদাগী থৌমীশিংনা খুম্বোং কৈথেলগী য়ু য়োনফমশিং থুগায়খ্রে


ইম্ফাল, মার্চ ১২: কোলিসন এগেন্স দ্রাস এন্দ অলকোহল (কাদা) না লমদম অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা পান্দমদা চঙশিল্লকপগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুম্বোং কৈথেলদা য়ু য়োনফমশিং থুগায়খ্রে।

কাদানা চথখিবা দ্রাইভ অদুদা মফম অদুদা য়ু য়োল্লম্বগী ফারবা মীওইশিং অদুদি খুম্বোং ময়াই লৈকায়দগী ওইনাম পীশক (৫২) অমসুং ক্ষেত্রিময়ুম তোম্বী। খুম্বোং অৰাং লৈকাইদগী ওইনাম মমি (৪২) অমদি থোকচোম সুমিতা (৫০) নি। মখোয়দগী কিংফিসর বিয়র বোট্টল ৯, ইন্দিয়ান মেড ফোরেন লিক্কর বোট্টল ২, ডি আই সি লিটর ২৩০ ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি। কাদাগী মশিং য়াল্লবা থৌমীশিংনা মফম অদুদা চাক হোটেলগী মীংদা য়ুঙাং অমদি য়ুঙৌ য়োল্লিবা হোটেলশিংদা রেদ চথখি।

ফাগৎলবা য়ু অদু কাদাগী থৌমীশিংনা খুম্বোং কৈথেলদা মী থাদুনা অমদি থুগায়দুনা মাংহনখি।

মণিপুর লিক্কর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ চৎনদুনা দ্রাই ষ্টেট ওইরিবা ষ্টেট অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়ু ফোংনা অমসুং মরাং কাইনা য়োলহনবা অসিগীদমক্তা গভর্ণমেন্টনা মতিক চাবা থবক থৌরমশিং লৌফম থোকই। অথুবা মতমদা য়ু য়োল্লিবা অমদি শুংলিবা মফমশিং অসিদা অকনবা দ্রাইভ চথবিয়ু হায়না কাদাগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ককচিংতাবম হরিচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা কাদা বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি, ফদিবী রোদ ষ্টুডেন্টস ক্লব অমসুং উৎলৌ মখা ফদিবী রোদ ৱুমেন্স ডিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগা খুৎশম্নদুনা ঙরাং নুংথিল ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হীরম অসিদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা উৎলৌ মখা বামোন মান্দপতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কাদাগী প্রসিডেন্ট ইন চার্জ হিজম প্রিয়োকুমার, আর কে নবদি রিটয়র হেড মাষ্টর, হুইনিংশুংবম বসন্তি প্রসিডেন্ট কাদা বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি, থোকচোম মংলেম্বী ভি পি কাদা বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি হায়রিবা মীওইশিং অসিনা প্রসিডিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কাদাগী ভি পি নিংথৌজম দোরেন, ন্যু লাইট রিহেবিলিটেসনগী কাউন্সিল্লর কে ঐচ সুনিল অমসুং কাদাগী জেনরেল সেক্রেটরি দিপাংজিৎ নিংথৌজমনা রিসোর্ছ পার্সনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাংবদা কে ঐচ সুনিলনা হায়খি, মীওই অমনা দ্রগ শীজিন্নবগী মওং মতৌ সাইন অমসুং সিমটমদি মীয়ামগী মরক্তা পুননিংলক্তবা, নাইতোম তারকপা, টি ভি য়েংফম কাদা অমদি ইমুংগী মীয়ামগা পুন্নিংদবা, উংলগা লৈবা, খোইরাং খোইশাওনবা, টোইলেট চঙবদা মতম য়াম্না লৌনচিংবনি হায়খি। অসিগুম্বা খুদম চাংদমশিং অসি মতম চানা খঙহৌদবদগী এদিক্সন ওইরগা খঙলকই অমদি অৰাবা কয়া মায়োক্নে এদডিক্ট ওইরবশিংবু ফজনা লোয়নদুনা পুক্নিং-ৰাখল হোংহনবা তাই। ডোক্টর নত্রগা অখং-অহৈ তান্নরগা লায়েংবীগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

এদডিক্টশিংবু পুক্নিং ৰাখল হোংহন্নবা কাউসেল্লিং পীগদবনি। মখোয়দা দ্রগ থাদোকনিংবগী ৰাখল থৌনা লৈহনবা তাই। মখোয়বু তাথি-তাওইনা তৌবা অমদি ফু- চৈবনা কান্নবা ফংলোই। তুমীন্না থমজিনবা অমদি লোৎশিনবগী মহুৎতা লায়েংবীগদবনি হায়খি।

লায়েংলুরে নত্রগা রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা থম্লুরে হায়রগা হেক্তা ফরক্কদবা নত্তে, দ্রগ শীজিন্নদনবা কন্ট্রোল তৌহনগদবনি। দ্রগ এদডিক্টশিংগী রিকোভরি পেরদতা ইমুং-মনুংগী সপোর্ট চঙই লোয়ননা ফেমিলি কাউসেল্লিং মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।